## মালেমগী অঙকপশিং

# ইফেসসতা লৈবা টেম্পল ওফ অর্টেমিস

টেম্পল ওফ দাইনা হায়নসু খঙনবা টেম্পল ওফ অর্টেমিস অসি অর্টেমিস কৌবী গ্রীকশিংগী লাইরেম্বী অমগীদমক শেমগৎখিবা লাইশঙনি। টর্কিগী ইফেসস মনাক্তা লৈবা লাইশঙ অসি অরিবা মতমগী ওইবা মালেমগী অঙকপা তরেৎকী মনুংদা অমনি।

লাইশঙ অসি অহুম্লক হন্না শাগৎলবা মতুংদা অমুক্কা হন্না নীংখায়খিবদগী হৌজিক্তি ফাওন্দেসন অমসুং ফক্লাংগী শরুক খরদমক ঙায়হৌরে। অহানবা ওইনা খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ মমাঙগী তরেৎশুবা চহী চাদা অচৌবা ঈচাউ অমনা মরম ওইরদুনা লাইশঙ অসি অমাঙ-অতা থোকখি। খৃষ্টতগী মমাঙ ৫৫০ দা লিদিয়াগী ক্রোসসনা শেল পুথোক্তুনা অর্কিটেক্ট চেরমিফ্রোন অমদি মচানুপা মর্টাজেনিসকী মীৎয়েংখাদা নৌনা অমুক লাইশঙ শাগৎখি। চহী ১০ চঙনা শাগৎলবা মতুংদা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা লাইশঙ অদু অমুক্কসু অমাঙ অতা থোকখি।

পান্বে অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা মমিং চৎপা পামখিবা হিরোষ্ট্রেটসনা মরম শুংলৈ লৈতনা লাইশঙ অদু মৈ থাখিবনি। থৌওং অদুগীদমক ইফেসিয়নশিংনা হিরোষ্ট্রেটসপু শিবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মহাক্কী মমিং ফাওবা পনবা য়ারোই হায়না অকনবা য়াথং তাউথখি। অদুবু গ্রীক অমদি রোমান হিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না লাইশঙ অমাঙ-অতা থোকখিবা তাঞ্জা অদুগা অলেকজেন্দর দ গ্রেট পোকখিবগা মপা চান্নে হায়রি। খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ ৩৫৬ গী জুলাই ২০/২১ দা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অর্টেমিসনা অলেকজেন্দর পোকপগী থবক থৌরমদা পুক্নিং লুপখিবদগী লাইশঙ মৈ চাকপা কনবা ঙমখিদবনি হায়রি।

অলেকজেন্দরনা লাইশঙ নৌনা শাগৎপদা চঙবা শেনফম পুন্নমক পুথোকচগে হায়বদা ইফেসিয়নশিংনা য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক শিখ্রবা মতুংদা মখোয় ময়াম্না শেল পুথোক্তুনা শাগৎখি। খৃষ্টগী মমাঙ ৩২৪ দগী শাবা হৌখিবা লাইশঙ অদু চহী কয়া চঙনা শাগৎখি। অহুমশুবা লাইশঙ অদুনা অনীশুবা লাইশঙদগী চাউবা য়াম্না হেল্লম্মী। লাইশঙগী অৱাংবা মিটর ১৮ (ফুট ৬০), অশাংবা মিটর ১৩৭ (ফুট ৪৫০) অমসুং অপাকপনা মিটর ৬৯ (ফুট ২২৫) নি। মসিগীসু মথক্তা লাইশঙগী মখোঙ ১২৭ শুরম্মী।

খৃষ্টগী মতুং ২৬৮ দা গোথ কৌবা ইষ্ট জর্মনিগী ট্রাইব কাঙবু অমনা লান্দারকপদা লাইশঙ অদু অমুক্কা হন্না অমাঙ-অতা থোকখি। নিংথৌরেল গেলিনসকী মতমদা মশীং য়াম্লবা গোথশিংনা জহাজ তোংদুনা লাক্লগা এসিয়াদা থুংলখি। মখোয়না এসিয়াগী মরু ওইবা সহর কয়া খুদুম চনশিনবগা লোয়ননা মমিং চৎলবা টেম্পল ওফ অর্টেমিস মৈ থাদোক্তুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। মতুং তারকপদা টেম্পল অদু অমুক শেমজিল্লম্বা য়াই নৎত্রগনা নৌনা অমুক শাগৎলম্বা য়াই। অদুবু মসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম পুৱারীদা ময়েক শেংনা পল্লমদ্রে। অদুম ওইনমক টেম্পল শীদোকপদগী ফংবা নুঙ অমসুং অতৈ লৈতেংগী পোৎলম কয়াদি অতোপ্পা বিল্ডিংশিং শাবদা শীজিন্নখিবগী ৱারী লৈ।

মতুং তারকপদা বৃটিশ ম্যুজিয়মনা স্পোন্সর তৌরগা জোন টর্টল ৱুদনা লুচিংবা মীওই কাঙবু অমনা চহী তরুক চুপ্পা থিজিন-হুমজিনবদা টেম্পল শারম্বা মফম অদু কুমজা ১৮৬৯ দা থেংনখি। মদুদগী ফংলকপা টেম্পলগী পোৎলম খরা হৌজিকসু বৃটিশ ম্যুজিয়মগী 'ইফেসস রুম' দা থম্লি।

টেম্পল ওফ অর্টেমিসকী মরু ওইবা ৱাফম খরা ঃ

- টেম্পল ওফ অর্টেমিস অসি টেম্পল ওফ দাইনা হায়নসু খঙনৈ।
- এপোলোগা পোকমিন্নবা অর্টেমিস অসি জ্যুস অমসুং লেটোগী মচা-নুপীনি। মহাক থা লৈবাক্কী লাইরেম্বীনি।
- ইহান হানবা ওইনা মালেমগী অঙকপা তরেৎকী লিষ্ট শেমখিবা সিদোনগী এন্টিপোটরনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না অতোপ্পা অঙকপা তরুক্কা চাংদম্নবদা টেম্পল ওফ অর্টেমিসনা খ্বাইদগী নীংথিজবা হেল্লি হায়রি।
- মালেমগী ওইনা অঙৌবা মার্বল খক্তনা শাবা লাইশঙদি টেম্পল ওফ অর্টেমিস মথনতনি।
- মমাঙদা অনীরক হন্না থুগায়রগা নৌনা শাগৎখিবা টেম্পল অসি অহুম্লকশুবা ওইনা সেন্ট জোন খৃসোষ্টোমনা কুমজা ৪০১ দা থুগায়খি।
- টেম্পল অদুগী শীংথানিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া হৌজিকসু লন্দনগী বৃটিশ ম্যুজিয়মদা থম্লি।
- টেম্পলগী মচাক খরা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা চর্চ অমা শাবদা শীজিন্নখি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - নীল আর্মষ্ট্রোং -



নীল আর্মষ্ট্রোং কুমজা ১৯০৩ গী ওগষ্ট ৫ দা ৱাপাকোনেটা, ওহাইওদা পোকখি। মহাক্না পাইবা পাম্বসি মপানা মহাকপু অঙাং ওইরিঙৈদা এয়র সো অমদা পুবীখিবদগী হৌখি। মতমদুগী মহাক্কী পান্দম পাইলোট অমা ওইবা হায়বসি ওইখি। মশাগী চহী ১৫ শুবদা মহাক পাইলোটকী লাইসেন্স ফংখি। আর্মষ্ট্রোংনা পুর্দ্যু য়ুনিভর্সিটিদা তমদুনা এরোস্পেস এঞ্জিনিয়রিংদা বচেলর্স দিগ্রী ফংখি। মদুগী মতুংদা মহাক য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউদর্ন কালিফোর্নিয়াদগী মাষ্টর্স দিগ্রী ফংখি। কোলেজ তম্লিঙৈ মনুংদা মহাকপু নেভিনা কৌখৎলগা ফাইটর পাইলোট অমা ওইহনখি। মহাক কোরিয়াগী লানদা য়াওদুনা এয়রক্রাফ্ট করিয়রশিংগী ফাইটরশিং পাইখি। লানগী তাঙ্কক অমদা য়েক্লবনা কাপ্পকপদা মহাক্কী প্লেনদা পানবদগী ইজেক্ট তৌহৌবদগী মহাক মতম চানা কনখি।

কোলেজদগী গ্রেজ্যুএসন ফংলবা মতুংদা আর্মষ্ট্রোং টেষ্ট পাইলোট অমা ওইরকখি। মহাক্না চাংয়েং তৌগদবা প্লেন খুদিংমক পাইদুনা প্লেনশিংদু করম্না পাইবগে হায়বদু য়েংখি। মদু য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থবক অমা ওইরসু মদুদা নুংঙাইবা অমা মঙোন্দা লৈখি। মহাক্কী করিয়র মনুংদা আর্মষ্ট্রোংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী প্লেন ২০০ হেন্না পাইখি।

আর্মষ্ট্রোংনা এষ্ট্রোনোট অমা ওইনবা এপ্লাই তৌখি অমসুং কুমজা ১৯৬২ গী সেপ্টেম্বরদা নাসা এষ্ট্রোনোট কোরগীদমক খনখি। মঙোন্দা অকনবা ফিজিকেল টেষ্ট পরিং অমা চথখি অমসুং মহাক য়াম্না থুনা পাস তৌদুনা নাসাগী অনীশুবা গ্রুপকী এষ্ট্রোনোট মাপনগী মনুং চনখি।

জেমিনি ৮ দা তোংদুনা আর্মষ্ট্রোংনা স্পেসকী অহানবা খোঙচৎ চৎখি। মহাক স্পেস কেপস্যুল অদুগী কম্মান্দ পাইলোট ওইদুনা অহানবা ওইনা স্পেসতা ভেহিকল অনী মায় পাক্না শমজিন্নবা ঙমখি। কুমজা ১৯৬৮ গী দিসেম্বর ২৩ দা নীলদা এপোলো ১১ গী কম্মান্দ ওফর তৌখি। মসি থাদা লেন্দিং তৌবা অহানবা মী তোংবা স্পেসক্রাফ্ট ওইগদৌরিবনি। মদু লৈবাক পুম্বগী ওইনা মথুম-মরাং হৌবা মতম ওইখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সোভিয়েট য়ুনিয়নগী মরক্তা থাদা মী খোঙদাবা ঙম্বা হানবা তান্নখি। থা কয়া চুপ্পা প্রক্টিস তৌবা অমসুং শেম্বা শাবা লোইরবা মতুং এপোলো ১১ স্পেসক্রাফ্ট অদু কুমজা ১৯৬৯ গী জুলাই ১৬ তা ফ্লোরিদাদা লৈবা কেন্নেদি স্পেস সেন্টরদগী লোঞ্চ তৌখি। স্পেসক্রাফ্ট অদু থাগী লৈমায়দা মায় পাক্না লেন্দিং তৌখি। মতমদুদা স্পেসক্রাফ্ট অদুগী ফ্যুলদু সেকেন্দ ৪০ খক্তগী ঙাইরবনি। থাগী লৈমায়দা হেক থুংবগা আর্মষ্ট্রোংনা ইগল থুংলে হায়না ফোঙদোকখি। হেক থুংবগা আর্মষ্ট্রোংনা স্পেসক্রাফ্টতুগী ইহান হান্না থাদোক্তুনা থাগী লৈমায়দা খোঙনা চৎখি। পুৱারীদা লৈহৌরগদবা নুমীৎ অদু কুমজা ১৯৬৯ গী জুলাই ২১ নি। এপোলো ১১ গী ফ্লাইট অদুগী মতুংদা নীলনা নাসাদা পোজিসন কয়ামরুম পাইখি। মহাক কুমজা ২০১২ গী ওগষ্ট ২৫ দা মিনসিন্নাতি, ওহাইওদা শিখি।

## ব্যুটি : য়ারিদা ঈ থোকপনা ৱাখল নুংঙাইতনা লৈরবদি য়ূমদা ফংবা পোৎশক খরনা য়াম্না লায়না ফহনবা ঙমগনি



য়ারিদা ঈ থোকপা হায়বসি অঙাং-অহল খাক্তনা য়াম্না কম্মন ওইনা থেংনবা লায়না অমনি হায়বা য়াই। কনাগুম্বা খরদি য়ারিদা ঈ থোক্লম্বা অদু মতম খরা থোক্লম্লগা ফখিবসু য়াওই। অদুবু কনাগুম্বা খরনা অমুক তোয়না-তোয়না ফবা কৌবা লৈতনা য়ারিদা ঈ থোকপনা ৱাখল নুংঙাইতবা অমদি অরুবা লায়নানা নারবরা হায়দুনা চিংনবা পোক্তবসু নত্তে। অদুবু কনাগুম্বা মীশক অমগী য়ারিদা য়াম্না তোয়না ফবা কৌবা নাইদনা য়ারিদা ঈ থোক্লরুবদি অথুবা মতমদা দেন্টিষ্ট দোক্টর অমগা তানবনা চুমগনি। নত্রগা য়ুমদা ফংবা পোৎশক খরনা হিদাক ওইনা শেমদুনা শীজিনরবসু য়ারিদগী ঈ থোকপা য়াম্না লায়না ফহনবা ঙমদবসু নত্তে।

দোক্টর বসন্ত লাদনা ইবা লাইরিক দি কমপ্লিট বুক ওফ আয়ুর্বেদিক হোম রেমিদিজগী মতুংইন্না য়ুমদা ফংবা মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈ চাদুনা নত্রগা হিদাক ওইনা শেন্নগা শীজিন্নবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং খরা লৌখৎলবদি য়াম্না লায়না অদোমগী য়ারিদা ঈ থোক্লিবা অদু ফহনবা ঙমগনি।



- হৈক্রু চাবা য়াম্না কানবা ওইগনি। কোমলা চাবা অমদি কোমলাগী মহিদা নেচরেল সুগর (কেমিকেল য়াওদ্রবা চুনা শেম্বা অশেংবা চিনি) চমচ তঙ্খাই অমা, অশেংবা জিরা পাওদর খজিক থাদদুনা শেল্লবা কোমলা মহি থকপনা য়ারিদা ঈ থোকপা ফহনবা ঙম্মী।

- মুন্দ্রিবা সেম চাবসু য়ারিদা ঈ থোকপা ফহনবদা য়াম্না কানবা হায়বদু ওই। চাক চারগা পুংখায় মুক্কী মতুংদা সেম চাবনা য়ারি অমদি য়াবু তশেং-তশেংনা থম্বা ঙম্মী। মদুনা য়ারিগা লৈনবা প্রোব্লেমশিং লাক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। নাশপতি চাবসু য়াম্না কানবা ওই।

- হৈজামপেৎ নোংমদা অনীরক নত্রগা অহুম্লক চাবসু য়াম্না কানবা ওই অদুবু পুক হাংলিঙৈদা চাবা ওইরগদি অমুক হেন্না কানবা হায়বদু ওইগনি। হৈজামপেৎ চাবা মতমদা চেকশিনগদবদি শঙ্গোম্না শেম্বা পোৎশক অমত্তগা পূন্না চামিনগনু।

- য়ুবিগী থাউনা য়ারিদা তৈদুনা মালিশ তৌবসু য়ারিদা ঈ থোকপা খরমখৈদি ফহনবা ওই। য়ারিদা য়ুবি থাউ তৈদুনা মালিশ তৌবিরবদি য়া অমদি য়ারি চেৎশিন্দুনা অফবা মপাঙ্গল কনবা য়ারি অমা ওইগনি।

- নুমীৎ খুদিংগী য়া শেংবসু কান্নে। মীওই খরদি শুপ্নগী অয়ুক খক্তদা য়া শেংবা ওইনা তৌই। নুমিদাং তূম্লমদাই মতমদা য়া শেংবনা য়ারিগী ওইনা য়াম্না কানবা হায়বদু ওইগনি।


- চাবা থকপা মতমদা য়ারিদা শোক্কদবা পোৎশকশিং চাবিরোইদবনি। করিগুম্বা অথুম্বা পোৎ চারবদি য়ারিবমখৈ য়া শেংবা কাউবিদবা ফৈ।

- অয়াম্বা মীশিংনা ব্রশনা য়া শেংবা মতমদা য়াম্না কন্না তক্কল্লি। মদু য়াম্না শোয়বা মওংনি। মরম অদুনা য়ারিবামখৈ য়া শেংবা মতমদা প্রেসর পীদনা য়াম্না তপ্না য়া শেংবা ফৈ। লোয়ননা য়া অমদি য়ারি মপাঙ্গল কন্না ফনা থমগে হায়রবদি দহি, গ্রিন টি, সোয়া, চনমনচিংবা তোয়না চাবা মথৌ তাই। অসুম্না তৌরবদি য়া ফজনা অমদি মপাঙ্গল কন্না লৈবা ঙমগনি।






Title: Scenery
By: Diyana
Class: VI Sec: Amber Roll No. 35
School: Heritage Convent




Title: A Little Dog is Playing a ball
By: Kh. Rekson Singh
Class: III Sec: A Roll No. 65
School: Standard Robarth Higher Sec. School



Title: Scenery
By: Kathryn Ningombam
Class: K.G. Sec: Crystal Roll No. 24
School: Heritage Convent, Uripok



Title: Ball
By: S. Lamjingba
Class: K.G Sec: White Roll No. 14
School: Lee Faith School




Title: A Sweet Garden
By: Dhanapayari
Class: IV Sec: F Roll No. 30
School: Standard Robarth Higher Sec. School




Title: Peacock
By: Baby Christina Laishram
Class: IV Sec: F Roll No. 15
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: A Girl and A Teddy
By: Nameirakpam Mangal Chanu
Class: IV Sec: F Roll No. 01
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Scenery
By: Sarkiya
Class: IV Sec: F Roll No. 32
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: Saving Earth
By: Senjam Nitish
Class: VI Sec: Amethist Roll No. 17
School:



Title: Harune Aira
By: I. Ngamkheinganbi
Class: VI Sec: Amber Roll No. 43
School: Heritage Convent



Title: Save Energy, Save Life
By: Kecia
Class: VI Sec. Amber Roll No. 28
School: Heritage Convent



Title: Scenery of Moonlight
By: Trisha
Class: IV Sec: Garnet Roll No.
School: Heritage Convent